# মফম অমদা মৈ য়াদ্রগা খুঙ্গং পুম্বা মৈ পীদবগী মতাংদা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরদা মীৎয়েং চঙনবা তকশিনখ্রে



শিল্লোং, জুলাই ২২ (এজেন্সি): মেঘালয়াগী মনুং চনবা খুঙ্গং অমদা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টনা মৈ পীযু য়াখিদবা অদুবু ওল ইন্দিয়া ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী ৱাঙাংলোয় সাকেট এস গোখলেনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হিরম অসিগী মতাংদা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর প্রেষ্টোন তিনসোংদা অঙৈবা চেরোল পীশিন্দুনা অহেনবা মীৎয়েং চঙনবা তকশিনখ্রে হায়রি।

দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মহাক্কী চেরোল অদুগী মতুংইন্না, এ আই টি সীগী ৱাঙাংলোয় অসি মেঘালয়াদা নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতা ষ্টেট অসিদা থুংখি। অদুবু মহাক্না মফম অসিদা থুংলবা মতুং গভর্নমেন্টকী মখাদা থবক তৌরিবা ওফিসলশিংনা লাইরবা মীয়ামগী মায়োক্তা অরানবা থবক থৌওং কয়া চথুরম্বা থেংনখি। মফম অমদা মৈ য়াদ্রগা খুঙ্গং পুম্বদা মৈ পীদবা থেংনরকখি। খ্বাইদগী হেন্না ঙক্লিবদি খুঙ্গং অমদা লৈরিবা যুম কয়া অদুগী মনুংদা খরখক্লা মৈগী বিল পীদবগীদমক খুঙ্গং পুম্বা মৈ পীরমদবা থেংনরে। মসিদি মৈগী টেক্স চাং নাইনা থিরিবা মীওইশিংগী রাইট মাঙহনবনি। খুঙ্গং অদুগী মীওই অয়াম্বনা মৈগী টেক্স থিরি। অদুবু থিদবা খরা য়াওই হায়দুনা খুঙ্গং পুম্বা মৈ মুথৎপা হায়বসি ক্রিমিনেলগী ওইবা থৌওংনি। অসিগুম্বা অরানবা থবক তৌরিবা ওফিসল নৎত্রগা ষ্টাফশিং অসিগী মথক্তা মরী লৈনবশিংনা লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি। মরমদি মৈগী টেক্স চাং নাইনা থিরিবা মীওইশিংগী রাইট ষ্টেট গভর্নমেন্ট নৎত্রগা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টনা মৎপগী রাইট লৈতে।

হায়রিবা থৌওং অসি ষ্টেট অসিগী মনুং চন্না লৈবা খুঙ্গং অমখক্তা থোকপা থৌদোক নত্তে। তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং অসি থোক্লি। অমরোমদা মৈগী বিল চাং নাইনা থিরিবা মীওইশিংদা মৈ ফংহন্দবা হায়বসি ক্রিমিনেলগী ওইবা থৌওং ওইবতা নত্তনা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনা নারোলদা মৈ য়োনবগী থবক চথুরব্রা হায়বসি চিংনিঙাই ওইরক্লি। মরম অদুনা মতম লৈরিঙৈদা হিরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙগদবনি হায়রি।




দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, তেংনৌপলনা শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সী কমপ্লেক্সতা অহানবা ওইনা মীয়ামগী নুমিৎ অমসুং হিলস লিদর্স দে পাঙথোকখিবা

# থবক তৌবগী মতম শাংদোকহনবগী মতাংদা মীৎয়েং চঙনবা গভর্নরগী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি




দিমাপুর, জুলাই ২২ (এজেন্সি): নাগালেন্দ ষ্টেটকী মখাদা থবক তৌরিবশিং মরুওইনা দোক্তরশিংগী থবক তৌবগী চহী শাংদোকহনবগী মতাংদা গভর্নরনা মীৎয়েং চংবীনবা নাগা মার্দস এসোসিএসন্না পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা নাগা মার্দস এসোসিএসন্না থাদোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না হায়, হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা দোক্তরশিংনা থবক তৌবগী চহী অসি ৬৫ ফাওবা শাংদোকখ্রে। অদুবু নাগালেন্দ ষ্টেটকী ওইনদি হায়রিবা অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরি। ষ্টেট অসিগী হোস্পিটালশিংদা থবক তৌরিবা দোক্তরশিং মশাগী চহী ৬০ শুরকপা মতমদা মখোয়গী সর্ভিস মতম লোইরে। মখা তানা মথৌ তৌদুনা লৈরিবশিং অসি রি ইঙ্গেজ তৌবশিংনি। ষ্টেট অসিদা থবক তৌরিবা দোক্তরশিংনা থবক্তগী পোথাবগী মতম অসি চহী ৬৫ য়ৌদ্রবসু ৬২ ফাওবা ওইহন্নবা নাগালেন্দ ইন-সর্ভিস দোক্তরস এসোসিএসননা মতম কয়াগী মমাংদগী তকশিন্দুনা লাক্লি। অদুবু মরী লৈনবশিংনা হিরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবা লৈত্রি। লৈঙাক্কী ওইবা থৌওং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ষ্টেট অসিগী দোক্তরশিংনা নুমিৎ নীনী মাস কেজুয়েল লীব লৌদুনা খোঙজং ফাওবা চঙশিনবা লৈখ্রে।

করিগুম্বা দোক্তরশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা মতম চানা খন্নহৌদ্রবদি দোক্তরশিং অমুক হন্না মথৌ তৌবা তোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়রি।

# নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী অনীশুবা দোজ কাপ্ত্রিবা মীওই লাক্ষ ১.৭৫ হেন্না লৈরি

কোহিমা, জুলাই ২২ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা হৌখিবা থা অমরোম অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোকপগী চাং খঙহন হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা লায়চৎ অসি মখা তানা শন্দোরকপা থিংনবগীদমক চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনরি। মরক অসিদা নাগালেন্দগী ওইনদি ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী অনীশুবা দোজ কাপত্রিবা মীওই লাক্ষ ১.৭৫ হেন্না লৈরি হায়না ষ্টেট হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা দিপার্টমেন্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, ষ্টেট অসিগী ওইনসু হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হেনগৎলক্লি। দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী লায়না লায়চৎ অসি শন্দোকপা থিংনবগীদমক পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলি। অদুবু মসিদা মীয়ামগী মতেং য়াম্না মথৌ তাই। মীয়ামগী মতেং য়াওদনা লায়না লায়চৎ অসি লৈঙাক্না থিংবা ঙম্লোই অমদি থিংনবা হোৎনরিবা অসিসু অরেম্বদা তাদুনা তোক্কনি।

ষ্টেট অসিদা হৌখিবা পুঙ ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২০ থেংনখি। ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং অসি থারগা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা অপুনবা মশিং ২৫,৬৭৫ শুহনখ্রে অদুগা ৭৬০ না শিহনখ্রে হায়রি।

# মনাস নেসনল পার্কতা শামু অমা মৈনা চীংবদগী শিরে

পাথসালা, জুলাই ২২ (এজেন্সি): অসামগী বাকা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মনাস নেসনল পার্কতা শামু অমা ইলেক্ট্রিকনা চীংবদগী শিরে হায়না ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোরেষ্ট ওফিসলনা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অসি মনাস নেসনল পার্ককী মনুং চনবা ভুয়ানপারা রেঞ্জদা থোকখিবনি। শামু অসি নেসনল পার্ক অসিগী মনাক নক্লা লৈবা মফমদা মচিঞ্জাক থিবা থোরকপদা ইলেক্ট্রিক পোষ্ট অমদা থেংলুবদগী মৈনা চিংদুনা শিখিবনি। অশিবা শামুগী হকচাং অদু ফোরেষ্ট গার্দশিংনা মফম চাবা অমা য়েংলগা কোম তৌথোক্তুনা ফুমজিনখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি নুমিৎ খরনিগী মমাংদসু কজিরঙ্গ নেসনল পার্কতা শামু অমোম অমা মৈনা চিংবদগী শিবা লৈখ্রে। অনীনা কনবা ঙমখি হায়রি।

# অসামগী চীফ মিনিষ্টর বাংলাদেশতা চৎকদৌরি

গুৱাহাটি, জুলাই ২২ (এজেন্সি): অসাম অমসুং বাংলাদেশকা লৈনরিবা মরী হান্নদগী হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্মনা বাংলাদেশতা অথুবা মতমদা চৎলগনি হায়না ওফিসল ওইবা পাউ অমনা হায়রি।

ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশ অনীগী মরক্তা হান্নদগী হৌনা অফবা মরী থমদুনা লাক্লি। মরুওইনা বাংলাদেশকা নক্লুনা লৈরিবা অসাম অমদি ট্রিপুরাগসু বাংলাদেশকা অফবা মরী অমা থমদুনা লাক্লি। থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হসিনানা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্মদা লৈবাক অদুগী ওইনা খ্বাইদগী তাংবা হৈনৌ মখল অম্রাপালি খুদোল পীরকপা লৈখ্রে। মদুগী মতুং চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্মনা প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হসিনাবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী হাওবা কিহোম খুদোল পোৎ ওইনা পীখিবসু লৈখ্রে হায়রি।

# আর পি পিনা নাগালেন্দদা পি আর লৈহন্নবগীদমক ওনলাইন সিগ্নেচর কেম্পেন হৌদোকখ্রে

দিমাপুর, জুলাই ২২ (এজেন্সি): রাইজিং পিপলস পার্টি (আর পি পি) না নাগালেন্দদা প্রসিদেন্ট রুল লৈহন্নবগীদমক ঙসিদগী হৌরগা ওন লাইন সিগ্নেচর কেম্পেন চথবা হৌখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা আর পি পিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা, ওন লাইন কেম্পেন অসিদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০,০০০ রোমগী সিগ্নেচর খোমগৎনবা পান্দম থল্লি। সিগ্নেচরশিং ফংলবা মতুং লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা মীয়াম্না পাল্লিবা দিমান্দ অসি থবক্তা ওন্থোক্নবা তকশিনগনি। চহী অসিগী মে ১২ দা হিরম অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অঙৈবা চেরোল পীশিন্দুনা খঙহনখিবসু লৈরে। মখা তানা হিরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙনবা তকশিল্লগনি হায়রি।

অমরোমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা আর পি পিনা পিশিনখিবা চেরোল অদুগী মতুংইন্না হৌখিবা চহী খরা অসিদা নাগালেন্দ ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম কা হেন্না শোকচিল্লকপগা লোয়ননা করপসনগী চাংসু কা হেন্না ৱাংখৎলক্লি। হায়রিবা অসি মায়োক য়ানবা নৎত্রগা থিংনবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বেদি ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্ট রুল থম্বনি। মসি নত্তনা অতোপ্পা পাম্বেনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহনবা ঙম্লোই।




ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা যু দি এ গভর্নমেন্ট অসি করপসননা মপুঙ ফানা লাকশিনখ্রবা লৈঙাক অমনি। যু দি এগী লৈঙাক লাকপদগী ষ্টেট অসিদা পামদবা থৌদোক কয়া থোকখ্রে। ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম য়াম্না ফৎত্রে। সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা মখোয়গী অপাম্বা তৌবা মতমদা থিংবিনবা লৈত্রে। লৈরিবা লৈঙাক অসিনসু মীয়ামগী প্রোব্লেমশিং কোকহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা মশা মশাগী কান্নবা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা হোৎনদুনা লৈরে। মরম অদুনা ষ্টেট অসিদা অথুবা মতমদা প্রসিদেন্ট রুল থম্বা মথৌ তারে হায়রি।

## CROSSWORD-3593



**ACROSS**
1 Curved structure (4)
3 Thick treacle (8)
9 Cut into three parts (7)
10 Racecourse near Windsor (5)
11 Extemporise (2-3)
12 University grounds (6)
14 Propelled in a high arc (6)
16 Opening ploy in chess (6)
17 Chesty (anag) (6)
21 Hereditary class in India (5)
24 Yellow or red pigment (5)
25 Artillerymen (7)
26 Infatuated (8)
27 Drink made with fermented honey (4)

**DOWN**
1 In fact (8)
2 Cold (5)
4 Science of light (6)
5 Frighten (5)
6 Yield (7)
7 Badger's burrow (4)
8 Small smooth rounded stone (6)
13 Emphasised (8)
15 God of wine (7)
17 Abstruse (6)
18 Skimpy (6)
20 Larceny (5)
22 Root vegetable (5)
23 Search thoroughly (4)

**Solution 3592**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | E | L | E | S | T | I | A | L | | C | O | B |
| H | | A | | A | | N | | O | | H | | U |
| A | X | I | O | M | | D | U | C | H | E | S | S |
| N | | R | | U | | U | | U | | V | | B |
| G | A | S | T | R | I | C | | M | E | R | R | Y |
| E | | | | A | | E | | | | O | | |
| S | T | A | T | I | C | | C | O | G | N | A | C |
| | | L | | | | E | | U | | | | O |
| S | P | L | I | T | | S | A | T | I | S | F | Y |
| H | | E | | R | | T | | C | | W | | N |
| R | A | G | T | I | M | E | | A | G | I | L | E |
| E | | E | | L | | E | | S | | N | | S |
| W | E | D | | L | I | M | I | T | L | E | S | S |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3994**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 5 | | | 3 | | | | |
| 7 | | 8 | 5 | | | 4 | 2 | |
| | 6 | | 7 | | | | | |
| | | | | | 8 | 9 | | |
| | | 5 | 1 | | 3 | 6 | | |
| | | 7 | 4 | | | | | |
| | | | | | 7 | | 9 | |
| | 3 | 2 | | | 6 | 5 | | 1 |
| | | | | 2 | | | 6 | |

**Solution-3993**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 5 | 9 | 6 | 1 | 2 | 8 | 7 | 4 |
| 4 | 8 | 1 | 7 | 5 | 3 | 6 | 2 | 9 |
| 6 | 7 | 2 | 9 | 4 | 8 | 3 | 1 | 5 |
| 1 | 9 | 8 | 4 | 6 | 5 | 2 | 3 | 7 |
| 2 | 4 | 3 | 8 | 7 | 9 | 5 | 6 | 1 |
| 5 | 6 | 7 | 2 | 3 | 1 | 9 | 4 | 8 |
| 7 | 2 | 5 | 3 | 9 | 4 | 1 | 8 | 6 |
| 8 | 1 | 6 | 5 | 2 | 7 | 4 | 9 | 3 |
| 9 | 3 | 4 | 1 | 8 | 6 | 7 | 5 | 2 |

## /EMPLOYMENT NEWS

### RBI RECRUITMENT 2022 FOR MEDICAL CONSULTANT

The Reserve Bank of India Medical Consultant Recruitment 2022: Advertisement for the post of Medical Consultant in The Reserve Bank of India. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 02 August 2022. Candidates can check the latest The Reserve Bank of India Recruitment 2022 Medical Consultant Vacancy 2022 details and apply online at the www.rbi.org.in/ recruitment 2022 page.
The Reserve Bank of India Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.rbi.org.in/. The Reserve Bank of India selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Maharashtra. More details of www.rbi.org.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Reserve Bank of India (RBI)
invites applications for recruitment of Medical Consultant
Medical Consultant
Job Location:
-, Imphal, - Manipur
Last Date: 02 August 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
RBI Recruitment 2022 Medical Consultant Job Vacancies Apply Online Application
RBI Recruitment 2022 Medical Consultant Job Vacancies Apply Online
Company The Reserve Bank of India
Job Role Medical Consultant
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Imphal
Experience 2 - 5 years
Posted on 18 Jul, 2022
Last Date To Apply 02-08-2022
Educational Qualification: MBBS
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR Not Disclosed
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on a written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Medical Consultant in RBI.
How to Apply:
Candidates who wish to apply for RBI Recruitment 2022 must complete the application process before 02/08/2022. Here we have attached the complete procedure to apply for the RBI Recruitment 2022 along with the application link.
Step 1: Go to the RBI official website rbi.org.in
Step 2: In the official site, look out for RBI Recruitment 2022 notification
Step 3: Select the respective post and make sure to read all the details about the Medical Consultant, qualifications, job location, and others
Step 4: Check the mode of application and apply for the RBI Recruitment 2022
Important Dates:
Published on: 19 July 2022
Last date for application is: 02 August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### TOOL ROOM AND TRAINING CENTRE GUWAHATI RECRUITMENT 2022 FOR 18 APPRENTICESHIP TRAINING

Tool Room and Training Centre Guwahati (MSME) Apprenticeship Training Recruitment 2022: Advertisement for the post of Apprenticeship Training in Tool Room and Training Centre Guwahati (MSME). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 30 July 2022. Candidates can check the latest Tool Room and Training Centre Guwahati (MSME) Recruitment 2022 Apprenticeship Training Vacancy 2022 details and apply online at the www.trtcguwahati.org/ recruitment 2022 page.
MSME Tool Room Guwahati Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.trtcguwahati.org/. MSME Tool Room Guwahati selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of www.trtcguwahati.org/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Tool Room and Training Centre Guwahati
invites applications for recruitment of Apprenticeship Training
Apprenticeship Training
Job Location:
MSME Tool Room
TOOL ROOM & TRAINING CENTRE(MINISTRY OF MICRO SMALL & MEDIUM ENTERPRISES)Amingaon Industrial Area Near E.P.I.P. Complex North Road Amingaon, Guwahati, 780031 Kamrup
Last Date: 30 July 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 18 Posts
Tool Room and Training Centre Guwahati Recruitment 2022 Apprenticeship Training Job Vacancies Apply Online Application
Tool Room and Training Centre Guwahati Recruitment 2022 Apprenticeship Training Job Vacancies Apply Online Application Recruitment 2022
Details
Company MSME Tool Room Guwahati
Job Role Apprenticeship Training
Education Requirement B.Tech, B.E
Total Vacancy 18 Posts
Job Locations Guwahati
Experience Fresher
Salary Not Disclosed
Posted on 18 Jul, 2022
Walkin Date 30 Jul, 2022
Educational Qualification: B.E./B. Tech. in Civil Engineering, Mechanical Engineering, Computer Science & Engineering, Information Technology, Electronics Engineering and Diploma in Mechanical Engineering
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR Not Disclosed
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Apprenticeship Training in Tool Room and Training Centre Guwahati.
How to Apply:
Tool Room and Training Centre Guwahati conducts walkin interview on 30/07/2022 for Apprenticeship Training vacancies. Candidates can head to the official website and download the official notification. Follow the walkin procedure as stated in the official notification.
Important Dates:
Published on: 18 July 2022
Last date for application is: 30 July 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

